থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# লোকদাউন অমসুং ক্রিয়েটিভিটি

‘করিমন্তা তৌগনু, কদায়দসু চৎকনু, য়ুমদ’সুম (ইমুংদ’সুম) ফমদুনা লৈয়ু’ হায়বসিমুক তমথীবা চৈরাক অমা কনানসু পীরকখিদ্রি ঐঙোন্দা। কনানা লংশিন্নুবা মরালগী চৈরাকনো খঙদে, ঐখোয় পুম্নমক হন্দক চপ-মান্ননা ফংমিন্নরি। শায়োকশঙ (জু) দা শারঙ মনুংদা ফাজিন্দুনা থম্লগা, হিংহন্দুনা থম্লনা নোংমগী মচিঞ্জাক খরা-খরা তম-তমদুনা পীজ রিবা শাশিং অসিনা মরোল থোক্লন্নবা নৎত্রগা মখোয়গী ৱাখলদু ঐখোয়বু খঙহন্নবা (সাইন্টিষ্টশিংনা) ভোকল সিন্দ্রেসাইজর অমা (ষ্টেফেন হোকিংসকীদমক শাবীখিবদুগুম্বা অমা) শাবীরম্লবা, মখোয়না শোয়দনা হায়রক্লমগনি ঐখোয়দা... ‘নহানমখে নখোয়না ঐখোয়বু থম্বীরম্লিবা ফীভমসিদা ঐখোয় কয়াম’ ৱারমগনি হায়বদু নখোয় হৌজিক খঙলবরা’?

অদুগুম্না ৱানা লেনখিবা কোরৌ নুমিৎশিংদুদা খনখিবা ৱাখলশিং, কোকসিদা ছো লোনশিন্দুনা থমখিবদু হাংদোক্তুনা থাদোক্লগে খন’, নোংমা, ঙাইহাক কর্ফিয়ু কোয়থোক্লকপা তাঞ্জাদুদা ঐগা ৱাখল তিন্নবা মরুপ অমগীদা কোকথোক্তুনা ৱারী শানরুই। ৱাখল মরী শম্নদবা কনাগুম্বনা লুমদুনা তারম্লুবা নৎত্রগা মরুপ্তুগী লোয়নবীদুনা থংনবা কাদা লৈরম্লুবা, শোয়দনা খল্লমগনি ... ‘অঙাওবা মশেলদি পাউ ফাওনমাল্লেনহে’...। খঙদে, ঐগী মরুপ্তুগী নুপীদুগদি অ দরষ্টেন্দিং লৈনবজাৎলা! ক্রিয়েটিব ৱর্ল্ড হায়না ঐখোয়না কৌজবা তাইবঙসিদা লৈবা মীশিংসে, মাগী-মাগী নুপীশিংগী অয়াম্বনা নঙ্গন-নঙ্গন ওনশিন্নরগা লৈমিন্নবা হেক্তা ওইরম্মি। পুন্সি খোঙলোয় ওইদুনা শিদ্রি’ফাওবা লৈমিন্নরিবা মহাক্তি কৈদৌনুংদা ঐগী ক্রিয়েটিভ-ৱর্ল্ড’সিদা চঙলক্কনি থাজদ্রে। ঐগী মরুপ্তুনদি হায়রকই ... ‘ইতাও! হন্দক্কী লোকদাউন মনুংসি ঐহাক্কী ওইনদি ওন্থোক্রা নুংঙাইবা মতম অমা হায়বদু ওইল্লে... কোরোনা’না অকনবা ইথিল অমা পীদুনা শৈরেং ফনা য়াম্না ইম্বে, লাইরিক অমা ফোঙদোকপা য়ারনি...পুন্সিগী অহানবা ওইনা দ্রামা অমসু ইবা লোইরে, ঙসি ফাওবদা ঐনা পারকখিবা, থেংনরকখিবা দ্রামাগী লাইরিকশিংসিদগী তোঙানবা মচৎ অমা ওইগদ্রা খল্লি, নোংমতং পামিন্নসি’...। মশামক ইংলিস লিটরেচর’দা মাষ্টর্স (ফর্ষ্ট ক্লাস) দিগ্রী হোন্দর ওইবগী মথক্তা মণিপুরী লিটরেচরদা মমীং লৈরবা অইবনি। খঙই ঐ, মাগী খৃৎই, তোপ-তোপ্পা মহাও অমা লৈরমগনি। তমগে খঙ্গরবদি মাগী খৃৎই, মাগী ষ্টাইল অদুগী মরমদা নত্তে। কোরোনা ভাইরস মায়োক্লনবা লাউথোক্লবা লোকদাউনদগী মরম ওইদুনা মীওই কয়াদা খুদোংচাদবা, অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লবসু কনাগুম্বা খরদদি অচৌবা কান্নবা পীবা তাঞ্জা অমা ওইরম্বদুদা থম্মোয়গী মচি অমদা কারকপা নুংঙাইবগী ইহুল অদু তমজনীংলুবনি। পাউদম অসি তত্তনা পাবীবা, ঐবুসু ইবগী ঈচেল লেপখিদনবা থৌনা হাপ্পীরকপা অতোপ্পা অইবা অমনসু হায়রকখি... ‘লোকদাউন মনুংসিদা তেক্লি-তেক্লি দ্রামা মচা মরি-মঙাদি ইহৌরে’ ...। শৈরেং ইবা, ৱারীমচা ইবা মী মরাং কায়বা লমদমনি, লৈবাক্কী ঈরাংসিনা মরম ওইদুনা চয়োল খুদিং লাইরিক ফোঙবই থৌরম পাঙথোক্লম্বদু তোকখিবই ৱানি। মখোয়গী ইবই ঈফুৎ কংলম্লোই। ইরমগনি লেপ্পনা। থাজবীয়ু - লোকদাউনসিনা লোইখিবগা, নোর্মেল ওইবা লাইফ অদু হেক হনজিল্লকপগা কোভিদ-১৯, কোরোনা, লোকদাউনগী মরমদা ইবা শৈরেং-ৱারেং-ৱারীমচাগী লাইরিক কয়া লেপ্পনা ফোঙনরক্লনি। নীংশিংলকই - ৱিল্লিয়ম সেক্সপিয়র’না ‘কিং লিয়র’ ইখিবসি ‘প্লেক-লাইৎ’ থোক্তুনা ময়মদই মপান থোকহন্দনা লৈরিঙে মনুংদনি হায়নবদু। সার আইসাক ন্যুটন’না পৃথিবীগী ‘গ্রেভিটেসনেল লো’ (থিওরি ওফ গ্রেভিটি) পুথোকখিবদুসু লৌনগনবা লায়না অমদগী (১৭শুবা সেঞ্চুরিদা) ন্যুটন অমসুং ইমুং-মনুং, মখোয়গী পিক্লবা ইস্খোলদুদা, কারন্টিন তৌদুনা লৈরিঙৈদনি। রসিয়াগী অফাওবা অইবা আলেক্সান্দর পুসকিনগী মমীং চংলবা লাইরিক কয়া, ১৮৩০দা থোকখিবা কোলেরাগী লাইচৎ, রসিয়াখক্তদা মীওই লাক্ষ অমরোম শিখিবা পেন্দেমিক্কী মনুং চনবা লোকদাউন মনুংদা ইখিবনি হায়বনচিংবই ৱারীদু মথং-মথং নীংশিংলকই।

অসুম্না, আশা য়াওদ্রবা, অকিবই মশক ওইরবা ইকোনোমিক স্লোদাউন/মেল্টদাউন’নচিংবা কয়া থোক্লগনবদুগী অৱাবা ৱারী মরক্তুদা নুংঙাইবই ইথিল পীবা ৱারী খরা ঐখোয় খঙদ’ থোক্লমগদবদু লীনীংলকপনি। অমুক্তং তিন য়োৎথরগা খন্থবীয়ু - হন্দক্কী কোভিদ-১৯ এক্সপরিয়েন্স অসিগী মতুংদা ওইরককদবা, হোংদবা য়াদ্রবা, অওনবা পুন্সি-মহিং, লাইফ ষ্টাইল! ইচম চম্বা পুন্সি মরেল, মীতৌ তম্বা লাইফ ষ্টাইল-অদুগী মতম লাইখরে। পোৎ য়োনবা, হোটেল ফম্বা, ইচম চম্বা কারবারদসু ক্রিয়েটিব মাইন্দ, ইন্নোভেসন-তঙাইফদবা মচল অমা ওইরক্লে। ‘ওয়ো হোটেল কন্সেপ্ত’ পুথোকখিবা রিতেস অগ্রৱাল (চহী ২৬) - লুপা অমগী ইনবেষ্টমেন্ট য়াওদনা মালেমগী খ্বাইদই নহা ওইবা বিল্লিয়নিয়র ওইরকখিবনি। চিকাগোগী সাইকোলোজি তিচর ‘সেন্দি মান’না মাগী ‘সাইন্স ওফ বোরদম’ হায়বা লাইরিক্তুদা হায় ... ‘করিমত্তা তৌদনা, নশানা নশাখু অমুক্তা খম থেংনা বোর ওইবা (তন্থবা থাক) অদুদা থম্বীয়ু, ... এমব্রেস বোরদম ... অতনবদু চেৎনা থাগোম্বীয়ু, অদুগদা মপান থোক্লকনি ইশাদা লোৎলিবা ক্রিয়েটিব ফোর্স...করিমত্তা তৌদনা লৈবদগী পোক্লকপা তন্থবা (বোরদম) অদুনা হেন্না ফবা, হেন্না প্রদক্টিব ওইবা পাম্বৈ অমা পুথোক্লবা লম্বী অমা পূক্লিংদা য়াৎলক্কনি’...। কতন-লাই চুবা হায়বসি কনাগুম্বা অমদা লোত্তুনা লৈরম্বা ‘ক্রিয়েটিভিটি’ ফূদোকহল্লক্লবগী পাম্বৈ অমা ওইরক্তুনা কাউঙল্লরোইদবা (মাষ্টরপিচ ওইবা) অয়েকপা লাই (পেন্টিং) অমদি অইবা ৱারী (নোভেলনচিংবা) কয়া ওইরকপসু ওইথোক্তবা নত্তে।

লৌশিং পুক্কৈ

# এন্টি বেক্টরিয়েল সোপনা থোকহল্লকপা খুদোংথীবশিং



টেনেসিগী মেম্ফিসতা লৈবা সেন্ট জ্যুদ হোস্পিটালগী রিছার্চর চার্লস রোকনা হায়খি, মদুদি খুৎশা হাম্নবা এন্টি বেক্টরিয়ল সোপতা য়াওবা ট্রাইক্লোসেননা হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক মখল কয়া থোরক্নবগী মরম ওইহল্লি। হোর্মোনগী খল কায়রকপনা মরম ওইরদুনা ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল শোন্থরকপা, কা হেন্না নোয়থোরকপা অমসুং কেন্সর মখল কয়া ওইহল্লকপা য়াই। অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ট্রাইক্লোসেন অমদি অতৈ কেমিকেল খরনা থাইরোইদকী প্রোব্লেম অমসুং হোর্মোন ইম্বেলেন্সকী খুদোংচাদবা ওইহল্লকই হায়রি।

খুৎ শা হাম্নবা অমসুং ঈরু-মায়থজনবগীদমক কৈথেলদা য়োল্লিবা মহীক-মতাই হাৎপা ঙম্মী হায়বা এন্টিবেক্টরিয়ল সোপনা হকচাংদা অসুক্কী মতিক শোকহল্লি হায়বা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে।

ট্রাইক্লোসেন অমসুং ট্রাইক্লোকার্বোননচিংবা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা পোৎলম ১৯ হেন্না য়াওই খঙলকপদগী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্টেঅসন (এফ দি এ) না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা অসিগুম্বা মখলগী সাপোনশিং য়োনবা থিংখ্রে। এফ দি এগী সেন্টর ফোর দ্রগ ইভালুয়েসন এন্দ রিছার্চ (সী দি ঈ আর) গী দিরেক্টর জেনেট ৱুদকোকনা হায়খি, মহীক মতাই অমসুং লায়না-তীলনা কয়া ঙাকথোক্নবগী মতাংদদি ইচম-চম্বা সাপোনগা এন্টিবেক্টরিয়ল সোপশিংগা চপ মান্নবা মওংদা মথৌ তৌই। নুমীৎ খুদিংগী মতম শাংনা শীজিন্নরক্লবদি এন্টিবেক্টরিয়ল সোপনা হকচাংদা অমাঙ-অতা থোকহনবগী খুদম কয়া থেংনরে।

খুৎ-শা হান্বদা শীজিন্নরিবা এন্টিবে-ক্টরিয়ল প্রদক্টশিং খুদম ওইনা ট্রাই-ক্লোসেন (লিক্বিদ সোপ) অমসুং ট্রাইক্লো-কার্বোন (বার সোপ) না বেক্টরিয়ল রেজিষ্টেন্স থোকহ-নবগা লোয়ননা হোর্মোনদা অকায়বা পীরকপদগী এফ দি এনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা কাঙলোন শেম্নবা থৌরাং লৌখৎখি। থৌরাং অদুগী মখাদা মেন্যুফেকচরিং কম্পেনিশিংনা এন্টিবেক্টরিয়ল সোপ শাবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদে হায়বগী চপ চাবা খুদম পীগদবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবার কম্পেনিশিংনা মতিক চাবা খুদম পীবা ঙমদবদগী এফ দি এনা এন্টিবেক্টরিয়ল সোপ য়োনবা থিংজিনখিবনি।

‘জর্নেল ওফ এলর্জি এন্দ ক্লিনিকেল ইম্ম্যুনোলোজি’দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, এন্টিবেক্টরিয়ল সোপ, টুথপেষ্ট অমসুং ইমুং শেংদোকপদা শীজিন্নরিবা মখল কয়াগী ক্লিনিং প্রদক্টশিংদা য়াওবা ট্রাইক্লোসেননা মীওইবদা এলর্জিগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

হকচাংদা কান্নরবা মহীক কয়ামরুম ইন্টেষ্টাইনদা য়াওই। অদুবু ট্রাইক্লোসেননা অফবা মহীকশিং অদু হাৎতোকখিবদগী অনা-অয়েক পোকহল্লকপনি। থায়না মমাঙঙৈগা য়েংনবদা হৌজিক্কী মীরোলদা হিংলিবা অঙাংশিংগী ইন্টেষ্টাইনদা অফবা চীঞ্জাক য়াওবগী চাং শরুক অহুম হন্থরক্লে। মহীক মতাই হাৎনবা মখল কয়াগী এন্টিবেক্টরিয়ল সোপ পুথোরকপনা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি।

এলাইয়েন্স ফোর দ প্রুদেন্ট য়ুজ ওফ এন্টিবাইওটিক্সকী প্রসিদেন্টসু ওইবা বোষ্টোনগী টর্ফটস য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ মেদিসিনগী প্রোফেসার ষ্টুৱার্ট লেভিনা হায়খি, মরম চাদনা অরানবা মওংদা এন্টিবেক্টরিয়ল সোপ অমসুং এন্টিবাইওটিক্স শীজিন্নবনা ষ্ট্রেপ্টোকোকস ন্যুমোনিয়া অমদি ঈ-কোলাইগী ষ্ট্রেন কয়ামরুম পুথোরকপদগী হীদাক চঙবা ঙমদবা দ্রগ রেজিষ্টেন্ট মাইক্রোব মশীং থীঙমদনা থোরকপনি। এন্টিবেক্টরিয়ল সোপতা য়াওবা ট্রাইক্লোসেননা শক্লোন হোংলবা অমসুং হীদাক চঙবা ঙমদবা মহীক শেমগৎপদা মতেং পাংই হায়না ‘নেচর’ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা ডো. ষ্টুৱার্ট লেভিনা ফোঙদোকখি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মদুদি এন্টিবেক্টরিয়ল হেন্দ ৱাশ অমসুং দিশ ৱাশ অয়াম্বদা য়াওরিবা ট্রাইক্লোসেননা নাতোন অমসুং হকচাংগী অতৈ মফম কয়াদা ষ্টেফ ওরিয়স কৌবা বেক্টরিয়া মখল অমা পৈশিল্লক্লবগী মরম ওইহল্লি। মদুনা মরম ওইরগা ইনফেক্সন অমদি মী শিবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। মহীক মতাই হাৎনবা মচল য়াওই হায়রিবা এন্টিমাইক্রোবাইল সোপনা কান্নবা পীবদগী অমাঙ অতা থোকহনবনা হেল্লি হায়না মেট্রো হেল্‌থ মেদিকেল সেন্টরদা ইনফেক্সিয়স দিজিজ গী স্পেসলিষ্ট ওইনা লৈবা ডো. মেলিসা ওসবোর্ননা ফোঙদোকখি।

মহীক-মতাই হাৎনবা কেমিকেলশিং, মরুওইনা এন্টিবেক্টরিয়ল সোপতা য়াওবা কেমিকেলশিংনা ইনভাইরোনমেন্টতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লি। হায়রিবা কেমিকেলশিং অসি নালাদা চেন্থখ্রগা ৱাটর সিষ্টেমদা তিনখিবদগী তুংদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। হায়রিবা কেমিকেলশিং অদু মথং মথং চেন্থখ্রগা পাৎ-তুরেলদা তিনখিবদগী ঙানা চাশিনখিবা য়াই। ঙা অদু চারুবা মতমদা মীওইবগী হকচাংদা খুদোংথীবা কয়ামরুম থোকহল্লকই। মরম অদুনা ময়াক কনবা কেমিকেল য়াওবা এন্টিবেক্টরিয়ল সোপশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নরোইদবনি।

# দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি দিমার্কেসন তৌরকপদা তম্পাক্কী নক্নবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ভেলি রিজার্ভ এরিয়াশিং চলহনবীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি দিমার্কেসন তৌরকপা মতমদা তম্পাক্কী নক্নবা মাগী মাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ভেলি রিজার্ভ এরিয়াশিং চলহনবীয়ু হায়না মণিপুর ভেলি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট রাইট প্রোটেক্সন এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুঞ্জকেশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ভেলি ভিলেজ রিজার্ভ এরিয়াদা লৈরিবা চীং, লোকনচিংবগী মমিং-মথা ওন্থোকপা থিংদুনা য়েলহৌঙৈদগী লৈরকপা মমিংশিং মাঙহনবীগনু। ভেলি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লৈরিবা লমদমসিগী ফুরুপশিংগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা লাইফল্লেনশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বীয়ু। মণিপুরগী তম্পাক লমগী মনুংদা লৈবা মোল হিলশিং অসি অমুক হন্না মাগী মাগী ভেলি দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুং চলহনবীয়ু। মণিপুরগী চীং-পাৎ, তুরেল মপু পান্দবগী মওংদা লৈরক্লি। নিংথৌ লৈঙাক লৈরিঙৈদা মণিপুরগী লোইজি-লোয়াদা লৈবা খুঙ্গং কয়াগী লৈত-লায়রা থিনবা শিং য়ানবা অমদি শা-ষনগী মচিঞ্জাক থিফম কয়া মরাং কায়না থম্লম্মী। কুমজা ১৯২৭ দগী ১৯৪৭ ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা তম্পাক্তা তায়নবা চীংশিংদা চাউরাক্লা হেক্তর লিশিং ৩৩ দা মণিপুর দরবারনা দাগ চিথা পীদুনা থম্লম্মী। দাগ চিথা পীদুনা থম্লম্লিবা লমশিং অসিগী চপ চানা মমিং মথা থোন্দুনা ঙমখৈ খঙনবা থম্লম্মী। অসুম্না থম্বীরম্বা অসিনা খুন অমগা খুন অমগা চয়েৎনবা থোইদোক্লা লৈরমদে।

কুমজা ২০১৬ দা এদমিনিষ্ট্রেসন খুদোংচানবা দিষ্ট্রিক্ট ৯ হাপচিন্দুনা পুন্না দিষ্ট্রিক্ট ১৬ শুখ্রে। ঙসি ফাওবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসি চপ চাবা বাউন্দরি অমা য়াৎথোক্লগা মীয়াম মমাঙদা পুথোক্ত্রবসু বাউন্দরি কম্মিসনগী চ্যেরমেন হাপ্তুনা থবক তৌবগী মওং লৈখ্রে। বাউন্দরি কম্মিসন্না থবক হৌরকপা মতমদা ভেলি ভিলেজগীনি হায়না মণিপুর ষ্টেট দরবারনা দিমার্কেসন তৌদুনা দাগ চিথা পীরম্লবা লমশিং অদু মাগী মাগী নক্নবা তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চলহনবীয়ু হায়না মরী লৈনবা দরবার রিজোল্যুসন কোপী য়াওনা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনখ্রে।

এফেক্টেদ এরিয়াগী মরী লৈনবা মিনিষ্টর, এম এল এ, জেদ পি, কাউন্সীল্লর, মেম্বরশিংগা ফম্মিন্নদুনা মীৎয়েং চঙনবা কয়ারক হায়খ্রে। লাইবক থীবদি চহী খরা অসিগী মনুংদা ভেলি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া হায়না লৈরিবা মফমশিং অসিদা উমং কোকথোক্লগা পোপী থাজিল্লকপা, লম্বী শেমজিল্লকপা, য়ুম শাজিল্লকপা কয়া অমা চথরি। চহী খরগী মমাঙদা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা মিং থোল্লকপা কয়াগী ৱাফম কয়াসু লৈখি। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা খুনশিংগী চনৈনবা কয়া লৈহন্দনবা হোৎনফম থোকই। কোংবা মরূ লাইফল্লেন্দা হৌবা উজাও উরেন য়ান্থৎলম্বসু লৈখ্রে। ফীভম অসিদগী কলহৌনবগীদমক ভেলি ভিলেজ রাইট প্রোটেক্সন এসোসিএসন্না ৱাফম কয়া থম্বনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা শেল তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

দিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন (দি পি য়ু ভি ও) নম্বোল অমদি নম্বোল অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ঙসি নম্বোল এরিয়াদগী খ্বাইদগী হেন্না শোত্থরে হায়না খনগৎলবা ইমুং ১০ দা য়ুম-য়ুমদা চৎতুনা দোন্নরশিংগা লোয়ননা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

শেলগী তেংবাং পীবগী থৌরমগা মরী লৈননা দি পি য়ু ভি ও নম্বোলগী সেক্রেটরি টি ঐচ লমজিংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন তৌরিবা অসিনা মীয়াম য়ুম-য়ুমদগী মপান থোকপা য়াদ্রে। নোংমগী শুরগা চাবশিংনা খম থেংনা ৱানরে। নম্বোল মায়কৈগী ইমুং ৯, থাংতেক তেরামখোঙদগী ইমুং ২, তাংথেক্তগী ইমুং ২, কবো ৱাকচিংদগী ইমুং ২, নম্বোল নাওরেমদগী ইমুং ১ অমদি ফোইজিংতোং কবুই খুনদগী ইমুং ১ দা লুপা ৫০০০, ৪০০০ অমদি ৩০০০ গী চাংদা তেংবাং পীখি। মখা তানা মায়কৈ অসোমগী শোত্থরবা ইমুং কয়াদসু মতেং পাংখিগনি। শেল মতেং পাংলক্লিবশিংবু থাগৎলি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, সোসল এন্দ ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, হিয়াংলমগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হিয়াংলমগী য়ুমথোঙ ২১০০ দা পোৎলম খরা মতেং পাংখ্রে। মণিপুরগী মপান্দা য়ুমদা থোক্লকপা নংদবদগী পন্দুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী একাউন্টদা লুপা লিশিং ২/২ থারগনি। মহৈরোয় ৩২ দা মশা-মশাগী একাউন্টদা শেল হাপকনি। শেনফম অসি লময়ানবা ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর অমিটকুমারনা তেংবাংলকপনি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।০৫।২০২০ ইং, য়ুমশকৈশা;
কালেনগী ১৪নি পানবা।

**মেষ :** কোক শাবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা খরা লৈরবসু লল্লোনবদা শেন্দোং চাওনা ফংবা, থৌনা ফুদোকপনা শেল ফংবা, মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাঙাঙ হৈত্রবদি চোপকনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**বৃষ :** অঙম্বগা মুক্নবা মাঙগনি, অনীংবা থবক পনখিনি অমদি চরাংনবনা মতম মাঙগনি লেংদবা লন ফংগনি, ঙাথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি, অফবা লৌশিং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**মিথুন :** পূক্লিংদা চিংনবা পোকপা, পংলদি শেল মাঙবা য়াবা, খন্থদবনা মরুপকা শাওনবা অমদি য়েৎনবা য়াদবা নুমিৎনি। মরুপ-মপাং লোয়নবা থবক কান্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পূক্লিং ফাথনা লৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/অশংবা।

**কর্কট :** মায় পাক্কদবা অমদি মরুপ-মপাংতা নত্তনা শেল-থুম ফংজগদবা নুমিৎনি। মরু ওইবা থৌরমশিংদা শেল-থুম থাদবা য়াগনি অমদি মীনসু লায়না লাকচবা ঙমলোই।
**লৈশা পাখংশিংগী** - য়াকা য়েংনা চৎলু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**সিংহ :** য়েৎনরম্বা কোকচবা, য়েক্নবা লৈরম্লসু লায়না লাকশিনবা অমদি খাংবা কনবগী মহয় ফংবা নুমিৎনি। য়াম্না হৈশিংবা শাগনু পশিং থোক্কনি, লাংতক্নগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পংশিন্নবা ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/ফৌ।

**কন্যা :** হরাওবা, নূংঙাইবা, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা শেন্দোং ফংবা অমদি পল্লম্বা শেল ফংবা য়াবা লৈ। লৌশিং চাওবনা য়েক্নবগসু ৱাখল তামিন্নবা য়াগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নীংবা থুংই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**তুলা :** হেন্না করাম্বা অমদি অশম্বা পাম্বৈ পামগনু-মদুনা তুংদা পেন্দবা লাক্কনি। লৌশিং চাওবা লোয়নবা অমদি চিন য়াংদবনা লম্‌ অয়াম্বদা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - মীতোপ থাজগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎলসু অমদি ইমুং-মনুংদা ৱাখল তামিন্নবা ৱাৎলসু লল্লোন ইতিক্তা মাঙজিল থাগনি, লাই-গুরুনা চানগনি অমদি মীকোক থোংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ঈরাং পুগনু-কায়ননি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**ধনু :** থবক পাংবা খূৎলোইগনি অমদি নীংবা অয়াম্বা থুংগদবা নুমিৎনি। নচাক নরলদদি য়েৎনবা লৈগনি, অরং-অরাক চেকশিন্দবা তৌগনু-য়াকা য়েংনা চৎলু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - ৱাঙাঙ হৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/হিগোক।

**মকর :** ওইজবা ফংজৌ হায়বা লৈ-অদুনা খুদোংচাবা মাঙহন্দবা ফগনি। অদুবু খুরৌ থাংবা, লাংতক্নবা অমদি খুৎচাও থারদি নথক থোংবগা মুক্নবা য়াবা লৈ-কাউগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** মরুপ-মপাংগা লোয়নবা অমদি নথক থোংবগী ৱা তাবতনা নুংঙাইতবা পেন্দবা লৈরম্বা পুম্বা কোচগনি। মীকোক থোংগনি নিংহন্নদনা মাঙলোমদা চংশিল্লু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**মীন :** নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা অমদি মীচং লৈবনা অনীংবা থৌ পাংবদা চিংননিংঙাই লৈতে। পাইরক্কী লৌশিং শোনবনা অরুবা ৱারেপতি নাইতোম লৌগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী** - নুংশিবনা চানবীগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# মীপুম খূদিংমক লোকদাউন মনুংগী থাশিংদা চেঙ কেজি ৫/৫ ফংহনগদবনি : বি জে পি মন্দল

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

মীপুম খূদিংমক্তা লোকদাউন মনুং এপ্রিল, মে, জুন থাশিং অসি চেঙ কেজি ৫/৫ ফংহনগদবনি হায়না বি জে পি থাংমৈবন্দ মন্দল কোভিদ-১৯ টিমগী কো-কনভিনর এম মেঘচন্দ্রনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দ বি জে পি মন্দলগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মেঘচন্দ্রনা হায়খি, বি জে পি কোভিদ-১৯ টিমনা ৱার্দ নম্বর ২৫গী নন-মণিপুরীশিংগী ফংদ্রিবা চেঙ ফংহন্নবা হোৎনরি। ফুরা-দলাল শাবা অমসুং লৈত-লায়রা মীপুম খূদিংমক লোকদাউন মনুংগী থাশিং অসি চেঙ কেজি ৫/৫ ফংগদবনি। থাংমৈবন্দ এ সীগী মীওই ৮৭৯৫৯ অসি এপ্রিল, মে, জুন থাগী চেঙ ফংগদবনি। নফসা কার্দ পায়বা পায়দবা মীপুম খূদিংমক ফংগনি। এম এল এ অমদি প্রাইভেট সেক্রেটরিনা মীয়াম্বু লান্না অমসুং অপংবনি খন্দুনা লমজিংবা য়ারোই। কম্মিস্নার এফ সী এসনা দিরেক্টরদা পি এম জি কে এ ৱাইগা মরী লৈনবা চে-চাং অদু পীখ্রো হায়রবসু হৌজিক ফাওবা পীরক্ত্রি। মরী লৈনবা চে-চাংশিং হৌজিক ফাওবা পীরক্ত্রিবসি করম্বা থৌশিলনো।

থাংমৈবন্দ এ সীগী ওইনা চিংথোকখ্রবা চেঙ অদু নন-মণিপুরীশিং অমদি মীওই কয়াদা ফংদ্রিবা অদু ফংহন্নবা দি সী অমসুং দি এস ওনা পুবীরকউ। ৱার্দ নম্বর ২৫গী কোর্পোরেটর অমদি কোভিদ-১৯ টিমনা চেঙ ফংদ্রিবা মীওইশিং অদু পুথোকপদা মতেং পাংগে। অপাম্বা মীওইশিংনা চেঙ লৌসনু। পামদবা মীওইশিংনা লৌদবদা করিসু কায়দে। অদুবু চেঙ পুবীরকউ। চীফ সেক্রেটরিনা থোকপা পি এম জি কে এ ৱাইগী ওর্দর মতুংইন্না এম এল এগী থৌদাং অমত্তা লৈতে। প্রাইভেট সেক্রেটরিগীসু লৈররোই। করিগুম্বা নুমীৎ হুম্নীগী মনুংদা চেঙ ফংহন্দ্রবদি প্রাইম মিনিষ্টর, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদা অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা চে থাদুনা খঙহল্লগনি। দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ওইনা চ্যেরমেন ওইরিবা চীফ সেক্রেটরিদসু ৱাকৎলগনি। মে থাগী পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ য়েনবা হৌরক্লগনি। এ সী অসিদা লৈরিবা ক্লব, মৈরা পায়বীশিংনা চেঙ কেজি মশিং শুনা অমসুং ফংফম থোকপা মীপুম খূদিংমক্তা ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

# চান-থক্নবা পোৎলমশিং পীরকপগীদমক থাগৎলি

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস): ইপসাগী মায়কৈদগী চান-থক্নবা পোৎলমশিং পীরকপগীদমক থাগৎলি হায়না ওল মণিপুর রিক্সো দ্রাইভরস এন্দ পুল্লর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী সেক্রেটরি রোশিকান্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯গী লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা চৈথেং নংলিবা রিক্সো দ্রাইভরস এন্দ পুল্লর ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা রিক্সো থৌদুনা হিংলিবা শিন্নীশিংদা ইপসানা মতেং পাংবীরকপসি নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি। নুমীৎ ৪০ নি হেন্না লোকদাউননা মরম ওইরগা শুফম নোম্ফম খঙদনা অৱাবা চৈথেং খাংদুনা লাক্লবা রিক্সো থৌবা শিন্নীশিংনি। য়ুমদা হনবগী খুদোংচাবসু ফংদবা অমদি পোৎ লৈবগী খুদোংচাবসু লৈতনা ঙসি ফাওবা ৱানা লাক্লি। লৈঙাক্লদি অৱা-চৈথেং নংলবা অশানবা য়ুমদা লৈবা শিন্নীশিংবু মান্নবা মীৎয়েং অমদি চাকথুংনচিংবা ফংহনগনি হায়খ্রবসু ঙসি ফাওবা খুদোংচাবা কয়া অসি ফংদনা লাক্লি। নোংজু-নুংশা খাক্তনা নোংমগী শিঙ্থা পাংদুনা হুমাং মমলনা হিংনবা হোৎনরিবা মীওইশিংনি। ইপসানা লায়রবা রিক্সো থৌবা শিন্নীশিংদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং চেঙ, থুম, থাউনচিংবা কয়া মতেং পাংলকপসি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। ইপসানা তৌরকপা থবকশিংদা শরুক য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

# ওনলাইন এক্টিং টেলেন্ট হন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্নবা লোকদাউন থমখিবনা মরম ওইরগা তৌফম খঙদনা লৈরিবা এক্টিংবু পামজবা নুপামচা অমদি নুপীমচাশিংগী ওইবা ওনলাইন এক্টিং টেলেন্ট হন্ট কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি হায়না ইপাক ফিল্ম প্রদক্সন মণিপুরগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কম্পিটিসন অসি কেটগোরি ২ থোক্লা পাঙথোক্কনি। অহানবা কেটগোরি এদা মশাগী চহী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। কেটগোরি বিদনা চহী ১১ দগীনা ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং শরুক য়াবা য়াগনি। মে ১৯দা ৱিন্নর লাউথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসন অসিগীদমক পার্টিসিপেন্ট মশা-মশানা ইনৌ নৌনা তৌজবা এক্টিং মোবাইলদা নৎত্রগা কেমেরানা ভিদিও ওইনা নম্লগা ওনলাইনদা থারক্কদবনি। মিনিট ১ দগীনা ২ ফাওবগী মনুংদা এক্টিং তৌবশিং অদু মে ১৫ ফাওবগী মনুংদা থারক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# পুলিস অমদি এ আরনা ব্রিন চুরুট পেকেট ২৬,৫৫০ গা কোন্ননা মীওই ৫ ফারে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অথিংবা লৈরিঙৈ মনুংদা ম্যান্মারদগী মণিপুরদা পুশিল্লকপা য়াম্লবা ব্রিন চুরুট পেকেট ২৬,৫৫০ রোম পুলিস অমদি অসাম রাইফলসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী ফারে।

ঙরাং অয়ুক পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা মচি পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর দি কে অঙৱুং মরিংনা লুচিংবা পুলিস টিমনা মচি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থাবী কৈথেলদা থি-হুম্বা চথবদা মীওই অনী য়াম্লবা ব্রিন চুরুট পেকেট ২০,০০০ গা কোন্ননা ফারে। পুলিসনা ফারবা মীওই অনী অদুদি হৈরোক পার্ট ৱানদগী মোইরাংথেম নেমসিং (৪১), অপোকপা এম ইবোমচা অমদি হৈরোক পার্ট টুদগী নিংথৌজম ইতোচা (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন বিধুনি। মখোয় অনীগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিগৎপা হৌখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপা য়াম্লবা ব্রিন চুরুট পেকেট ৬০০০কা কোন্ননা মীওই অহুম অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি জঙ্কসন অমসুং সেমাং খুল অনীগী মরক্তগী ফারে হায়না অসাম রাইফলগী পি আর ওগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অসাম রাইফলনা থা অসিগী ২গী অহিং নোংয়াইদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মচি জঙ্কসন অমসুং সেমাং খুল অনীগী মরক্তা থি-হুম্বা চথবদা ওটো রিক্সো অমা খামদুনা চেক তৌবদা য়াম্লবা ব্রিন চুরুট অদু ফাবা ঙমখি। গাড়ি অদু পুয়াম বোয় (৫৩), অপোকপা তম্ফা কৌবা অমনা থৌরকপনি। মহাক্তা লাকমিন্নবা মীওই অনী অদুনা শগোলশেম চৈতৈ (৪০), অপোকপা এস সনাখোম্বা অমদি শগোলশেম ইঙোবা (৩৩) অপোকপা মাইপাকনি। মখোয় অহুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লাঙথেলদগীনি হায়রি। মখোয় অহুম ফারগা ব্রিন চুরুটকা কোন্ননা মখা তাবা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা মচি পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস): সেবা ভারতি মণিপুর অমদি সক্সমগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খৌপুমগী গতাও ভিলেজদা ফ্রী আই মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোক্তুনা লেম্না আনোক য়েন্থোকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী রিলিফ মেটরিএল ওইনা চেঙ, আলুনচিংবা য়েন্থোকখ্রে। কোভিদ-১৯ লোইদ্রিবা ফাওবা মতেং পাংখিগনি হায়রি।